২

www.sanaleibak.in

SANALEIBAK

সনালৈবাক

PROGRESSIVE JOURNALISM

চহী চুপ্পা লেপ্তুনা নুংতিগী ফোঙবা অহানবা মণিপুরী পাউচে



খোঙজোম দে ওবজার্ভেসন কম্মিটি, হামোম লৈকাই,ছনগাওনচিংবনা শীল–লাংদুনা পাওনা ব্রজাবাশিগী মীতম অমসুং শঙলেন শানবা অহল–লমনশিংনা উরেপ–উয়ুং তম্বা থৌরমগী শক্তম



ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা ইন্দিপেন্দেন্ট মীরেপ ওইনা থাদোক্লিবা এক্টর আর কে সোমোন্দ্রো (কাইকু) গী থাংমৈবন্দদা লৈবা য়ূমদা পাঙথোকপা ফিরাল চিংখৎপা থৌরমগী শক্তম





ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা এন ই আই দি পিগী মীরেপ ওইনা থাদোক্লিবা এক্স–এম এল এ,আর কে অনন্দগী ক্বাকৈথেল অখাম লৈকাইদা লৈবা য়ূমদা পাঙথোকপা ফিরাল চিংখৎপা থৌরমগী শক্তম

Volume No: 43 Issue: 136 | IMPHAL SATURDAY 13 APRIL, 2019 | থাংজ শজিবুগী ৮নি পানবা | RNI Regd. No. 31350/77 | PAGE : 8 Price:Rs 3.60

## ৱাখলগী চিঙ্গাক

অফবা নুমিৎ ফত্তবা নুমিংকী খেৎনবসি নহাক্কী ৱাখল মীৎয়েংদা লৈরে,অফবত খল্লগা হিংবা তম্মু।

## অঙৈং–অশা

খ্বাইদগী শাবগী চাং ঃ ২৯.১° সি
খ্বাইদগী ঈংবগী চাং ঃ ১৪.১° সি
নোংজুগী চাং ঃ ০০
নুমিৎ থোকপা ঃ অয়ুক পুং– ৪.৫৫
নুমিৎ তাবা ঃ নুংথিল পুং–৫.৩৫

## GOLD PRICE 10G/24K

DELHI : RUPEES 32,795.00 /-
KOLKATA: RUPEES 32,690.00 /-
BENGALURU: RUPEES 32,755.00 /-

## পেট্রোল, ডিজলগী মমল

পেট্রোল লিটরদা – লুপা ৬৯.০০
ডিজল লিটরদা – লুপা ৬২.২৪

## লোইরেদনা

অদু তৌনি,অদা তৌনি হৌজিক্তি মথী লোই ফোঙনরক্লেনে!



খ্বাইদগী ইকায় খঙদবা মচিন থীবা কাঙবুদুনি কাখিদোইসে!

# লৈখিদ্রবা মীওই অমগী ইমুং–মনুং হায় কোর্টনা মোমোল মীনোক তমহনখ্রে

### লৈঙাক্লা চহী ৫ লাক্লবীরবা তুংদা লায়েংবদা চঙবা শেনফম কোর্টনা ফঙহনখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ১২(এস এন এস)ঃ ষ্টেট মেডিকেল বোর্ডনা রিক্কমেন্দ তৌবা হোস্পিটাল অমদা লায়েংবগী মহুত্তা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমদা লায়েংই হায়দুনা লায়েংবদা চঙখিবা শেনফম মণিপুর লৈঙাক্লা চহী ৫ হেন্না পীয়ু য়ারকখিদ্রবা তুংদা হায়কোর্ট ওফ মণিপুরনা অৱাবা নংলবা ইমুং–মনুংগী মীওইশিং অদুবু হরাউ মোমোল–মীনোক তমহনখ্রে।

মণিপুর লৈঙাক্কী পব্লিক হেল্থ ইঞ্জিনিয়ারিং দিপার্টমেন্টকী ৱাটর সপ্লাই মেন্টিনেন্স দিভিজন নম্বর–২দা জুনিয়ার সুপরভাইজর ওইনা থবক তৌরম্বা ক্ষেত্রিময়ুম কুঞ্জাকিশ্বর মশা ঙম্লক্তবদগী রিজনেল ইন্সটিট্যুট ওফ মেডিকেল সাইন্সেস (রিমস)তা লায়েংখি। হোস্পিটাল অসিনা অনাবা অদু লৈদা কেন্সর নারে হায়না কনফার্ম তৌখি। খুদক্তা মপাল লমদা লায়েংনবা রিফর তৌরকপা মতুং ইন্না ষ্টেটকী মেডিকেল বোর্ডতা পুথোকখি।

ইমুং–মনুংদগী ফঙবা পাউনা হায়,মেডিকেল বোর্ড অসিনা অনাবা অদু টাটা মেমোরিয়েল হোস্পিটালদা লায়েংনবা রিক্কমেন্দ তৌরকখি। থিহ্বা তৌদনা অনাবা অদু মহাক্কী মচানুপানা মুম্বাইদা টাটা মেমোরিয়েল হোস্পিটালদা লায়েংনবা পুখি। হোস্পিটাল অসিগী ও পি দিদা টিকেৎ কক্তুনা লায়েংলবা তুংদা অথুবা ওপরেসন অমা তঙাই ফদবা লৈরে হায়না টাটা ডোক্টরশিংনা ফোঙদোরকখি। অদুবু মখোয়গীদা ওপরেসন তৌবা অমসুং মখা তাবা লায়েংবদি সেরিয়েল নম্বরদা চত্থবা মরম্না মহাক্কী পালি ঙাইবা তাই অমসুং থা অনীরোমগী তুংদা সিট ফঙগনি হায়না খঙহল্লকখি।

অনাবা অদুগী ফিভম অমসুং তঙাই ফদবা অদুনা মরম ওইরদুনা টাটা মেমোরিয়েল হোস্পিটালদগী ডা. বালা ভাই নানাবতি হোস্পিটাল,মুম্বাইদা মিং চল্লগদি খুদক্তা ওপরেসন তৌবা য়াগনি হায়রকপগা লোয়ননা চে ওইনা রিক্কমেন্দ তৌরগা পীরকখি হায়রি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়,টাটা মেডিকেল হোস্পিটালগী ডা. দি এ চকুরনা রিক্কমেন্দ তৌরকখিবা মতুং ইন্না কুমজা ২০১৩গী মে ৪দা অনাবা অদু ডা. বালাভাই ননাবতি হোস্পিটালদা এডমিট তৌখি। থা অদুমক্কী তাং ৭তা হোস্পিটাল অদুদা ওপরেসন তৌদুনা অনাবা অদুগী মৱৈ ককখি অমসুং খূৎশেমগী ওইবা লৈ অমা পানশিনখি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়, চহী অদুগী এপ্রিল ২০দা হোস্পিটাল অদুদগী *মখা লমায় ৩দা...*

# মীখল হনগদবা মফমশিং এপ্রিল ১৪দা খঙলগনি

### ভোট থাদবগী চাং চাদ ৮২ ওইরবা য়াই,থৌবাল ১সুং ককচিং দিষ্ট্রিক্টকীদি চাদ ৭৬.১৮ ওইখ্রে

ইম্ফাল,এপ্রিল ১২(এস এন এস) ঃ আউটর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা পোল্লিং ষ্টেসন কয়াদা ভোট হনগদগে হায়বা ঙসি নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা চপ–চানা খঙবা ঙমদ্রি। ভোট থাদখিবা অমসুং প্রিসাইদিং ওফিসারশিংনা পীখৎলকপা রিপোর্টশিং স্ক্রুটিনি থা অসিগী ১৪গী অয়ুক পুং ১১দা পাঙথোক্লবা তুংদা মফম কয়াদা নৌনা ভোট থাদনগদগে হায়বা খঙলবা য়াই।

মীফম অদুদা মরিকচুম্বা রিপোর্ট অমা ইলেক্সন কম্মিসন ওফ ইন্দিয়াদা থারবা মতুংদা ইলেক্সন কম্মিসন্না পীরকপা পাউতাক মতুংইন্না অমুক হন্না ভোট থাদহনবা থাদহন্দবগী ফিরেপ লৌগনি হায়রি।

আউটরদা ভোট থাদবগী চাং কয়া য়াম্না ৱাংখিবগে হায়বসু ঙসি নুমিদাং অথেংবা ফাওবদা খঙবা ঙমখিদে। পুন্না য়েংবদা চাদ ৮২গী চাংদা ভোট থাদনখি হায়না পানরি। অদুমকপু থৌবাল অমসুং ককচীং দিষ্ট্রিক্টকী ওইনদি চাদ ৬৬.১৮গী চাংদা ভোট থাদনখি হায়রি।

ভোট থাদনবগী চাং চপ–চানা খঙদবা অমসুং করম–করম্বা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা ভোট হনগদগে হায়বা খঙদবগী মরুওইবা মরমদি হান্না মনুং হঞ্জিন্না লৈবা মফমশিংদা মীখলগী মথৌ তৌখিবা পার্সোনেলশিং লৌখৎকদবা অমসুং ঈ ভি এমগা মরী লৈনবা মচাকশিং পুরক্কনি হায়না পান্নরম্বা ইনিদয়ান ইয়ার ফোর্সকী হেলিকোপ্টর অহুম পীরকখিদ্রে। মদুনা মরম ওইরগা ইলেক্ট্রোনিক ভোটিং মেছিনশিং অথাপ্পা মফমদগী য়ৌশিল্লকপগী মতম থেংথরকখি। মসিনা মরম ওইরগা মনুং হঞ্জিন্ননা লৈবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা মথৌ তৌবা পোল্লিং পার্সোনেলশিং মখোঙনা থোরক্লগা গাড়ী ফংবা মফমদগী গাড়ীনা থোরকপদা মতম চংবদগী ঙসি ফাওবদা চপ চাবা পোল পার্সেন্টেজ ফংবা ঙমখিদবনি ।

তোঙান তোঙানবা পোল্লিং ষ্টেসনশিংদা মথৌ তৌরবা পার্সোনেলশিং মখোয় মখোয়গী দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরদা থুংলরে হায়রি। দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টর য়ৌরকখ্রবা ঈ ভি এমগী কন্ট্রোল য়ুনিটশিং অদু নীংথিনা সিল্ড তৌশিল্লগা দিষ্ট্রিক্ট হেদ ক্বার্টরশিংদা মাঙজৌননা শেম–শাদুনা থমখ্রবা কাদা সিল্ড তৌদুনা থমখ্রে।

পাউ অসি ইবা মতম ফাওবদা সি ই ও ওফিসতা উখ্রুল অমসুং সেনাপতিগী ওইনা পোল্লিং পাসেন্টেজ ফংবা ঙমদবনা চপ চাবা ভোট থাদবগী চাং ফংবা ঙমখিদে। অদুম ওইনমক দিষ্ট্রিক্ট অনি অসি থাদনা লেমহৌরিবা দিষ্ট্রিক্টশিংগী ওইনা য়েংবদা চাংচত্তা চাদ ৮০ গী মথক্তা লৈরে হায়রি। লোয়ননা দিষ্ট্রিক্ট অনি অসিদসু ভোট থাদবগী চাং ৱাংবগী পাউ ফংবনা চাদ ৮২ গী মথক্তা ভোট থাদনখিবগী রিপোর্ট ফংলি হায়রি।

ঙরাং পাঙথোকখিবা মীখল অদুদা থৌবাল দিষ্ট্রিক্ট অমসুং ককচিংগী ওইনা চাংচত্তা চাদ ৭৬.৯৮গী চাং য়ৌনা ভোট থাদনখি। অপুনবা এসেমব্লি সেগমেন্ট ৭ কী মনুংদা হৈরোকতা চাদ ৮৫.৪৩, ৱাংজিং তেন্থাদা চাদ ৭৪.০৭, খাঙবোক্তা চাদ ৮৪.২১, ৱাবগাইদা চাদ ৭৯.৭৩, ককচিংদা চাদ ৬৮.১৬, হিয়াংলমদা চাদ ৭৩.৯৯ অমসুং শুগনু কেন্দ্ররদা চাদ ৭৩.২৭ গী কাংদা ভোট থাদনখি।

## ভোট লিশিং ২৫ গী মথক্তা হেল্লগা কাগনি: চীফ মিনিষ্টর

ইম্ফাল,এপ্রিল ১২(এস এন এস) ঃ তরাতরেৎশুবা লোক সভাগী মীখলগী ঙরাং অহানবা তাঙ্কক্কী ভোট থাদনখিবা অদুদা বি জে পিগী মীরেপনা এন পি এফকী মীরেপ্তুগী পুন্না ভোট লিশিং ২৫ দগী ৩০ ফাওবগী মনুংদা হেনলগা শোয়দনা মায় পাক্কনি হায়বগী চপ চাবা থাজবা লৈ হায়না চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা ফোঙদোকখ্রে।

ঙসি বি জে পি লমশাং মন্দলনা শীন্দুনা লমদেং খুনৌদা পাঙথোকপা লাক্কদৌরিবা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীখল অসিগা মরী লৈননা পাঙথোকপা পোলিটিকেল কনফরেন্সশিংদা চীফ মিনিষ্টর এন বিরেননা হায়, মণিপুরদা মতিক চাবা লুচিংবা লৈতবনা মণিপুরীশিং অসি ইশাগী লমদা মীকিঠি ওইনা লৈরম্বনি।

চীফ মিনিষ্টরনা মখা তানা হায়, লমদম অসিদা লৈরিবা মীয়াম্না লায়ররিবা অসি মপুং ওইনা সিষ্টেমেটিক ওইনা থবক তৌরমদবগীনি হায়খি। *মখা লমায় ৩দা...*

## ইশাগী ইশুদি ইশানা ৱারোইশিন পুরক্কদবনি: নারেংবম সমরজিৎ

ইম্ফাল,এপ্রিল ১২(এস এন এস) ঃ লমদম অসিদা থোকপা থৌদোক ৱাথোকশিং ইশুশিংগী ৱায়েল ঐখোয় ইশানা চত্থজদুনা ৱারোইশিন পুরক্কদবনি। নেসনেল পার্টিশিংনা হাজি হায়না পার্টিগী লুচিংবশিং উন্ননবা চৎপখক্তদা মীয়ামগী য়াল্লবা শেনফম কয়া মাঙহল্লি। মখোয়না মদুগীদমক কায়থোক্লিবা শেনফম অদুনা লমদম অসিগী লায়রবা অঙাং অমা মহৈ তম্বদা চংবা শেনফমদগী হেন্না য়াল্লিবনি হায়না নোর্ঠ ইষ্ট ইন্দিয়া দিভলপমেন্ট পার্টিগী সেন্ত্রেল ৱার্কিং কম্মিতিগী প্রসিদেন্ট এন সমরজিৎনা ফোঙদোকখ্রে।

লাক্কদৌরিবা এপ্রিল ১৮ দা ভোট থাদনগদৌরিবা ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীখল অসিদা এন ই আই দি পিগী মীরেপ ওইরিবা আর কে আনন্দগী মীখলগী ফিরাল চিংখৎপগী থৌরমগা মরি লৈননা মহাক্না মখা তানা হায়, হন্দক্কী মীখল অসি য়াম্না অরুবা মীখল অমনি। মসিমক ইরৈবাক কঞ্জনবা চঙশিল্লকপা লাঞ্জং অমনি।

মহাক্না হায় কোংগ্রেস অমসুং বি জে পি অসি মতৈ মনাউগা মান্নে। মখোয় অনিমক নেসনেল পার্টি ঙাক্তনি। লমদম অসিগী মীয়াম্না *মখা লমায় ৩দা...*

## প্রোপেগন্দা তৌরগা ভোট খোম্বগী মতম নৎত্রে: কাইকু

ইম্ফাল,এপ্রিল ১২(এস এন এস) ঃ কুনমাথোইশুবা চহী চাগী মতমসিদা প্রোপেগন্দা তৌরগা ভোট খোম্বগী মতম নৎত্রে। মীয়াম্না লোইনমক খঙনরবা ঙাক্তনিনা পরম চুম্না ভোট খোমদুনা মীখল থেংনবীয়ু,মীয়ামগা নক্লনা চৎলবা মতমদতা চাউখৎপা লমদম অমা ওইহনবা ঙমগনি হায়না আর কে সোমোন্দ্রো (কাইকু)না ফোঙদোকখ্রে।

ইন্নর মণিপুর পার্লিয়ামেন্টরি কন্সটিট্যুয়েন্সিদা ইনিদপেন্দেন্ট মীরেপ ওইরিবা আর কে সোমেন্দ্রোগী থাঙমৈবন্দ মৈস্নাম লৈকাইদা লৈবা য়ূমদা ফিরাল চীংখৎপগী থৌরমগা মরী লৈননা থাও গ্রাউন্দা পাঙথোকখিবদা মীয়ামগী মীফমদা মহাক্না হায়, ১৭শুবা লোক সভা ইলেক্সন অসিদা মহাক্না ইন্নর কন্সটিট্যুয়েন্সিগী মীরেপ অমনা চোংথোরক্লিবা অসি মীয়ামগী অমদি লমদম অসিগী করিগুম্বা খরদং পাঙথোক্লিংবদগীনি। লাইরবনা নোংমা–নোংমগী লাইরবা হেঞ্জিল্লকপা মণিপুরগী কচিন–কোয়াদা লৈরিবা মীয়াম্না *মখা লমায় ৩দা...*

সনালৈবাক কী মরুওইবা টেলিফোন নম্বরশিংঃ ঈ–পাউ পীবিনীংবশিংনা 7005576312 দা, এডভর্টাইজমেন্টকীনা 9958998160/8787595553 দা, গ্যাস অমদি ওফিসকীনা 9402247588 দা পাউ পীবিবা য়াগনি